# রিচার্দ মীশি সিবিআইদা শিনহন্নবা হোৎনরি কর্নাটকা গভর্নমেন্টকা তোয়না পাউ ফাওনরি

*-চিফ মিনিষ্টর*

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, মে ২০ঃ*** মহৈরোই রিচার্দ মীশিগী মতাংদা হৌজিক ফাওবা চপ চাবা ফাইন্দিং অমা ফংবা ঙমদ্রি। ও লাবা য়াওনা মপান লমদা মহৈ তম্বা চৎপদা লৈখিদবশিংগী মতাংদা প্রজাশিংগী মবুক পেন্নবা অমসুং অচুম্বা ৱায়েল ফংনবা সিবিআইদা শিন্নবা সরকারনা হোৎনরি। রিচার্দ মীশিগী মতাংদসু কর্নাটকা গভর্নমেন্টগা য়াম্না তোয়না পাউ ফাওনরি হায়না চিফ মিনিষ্টর শ্রী ও ইবোবীনা ঙসি ইম্ফালগী আলু গলি অমসুং এমজি এভেন্যুগী অকোয়বদা উ চারাশিং থাবগী থৌরম অমগা মরী লৈননা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা ফোঙদোকখ্রে।

চিফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, রিচার্দ মীশিগী মতাংদা কর্নাটকা গভর্নমেন্টকা মতম মতমগী ওইবা পাউ ফাওনদুনা মীশি অসিগী মতাংদা অশেংবা লংলা লংজিন খঙদোক্লবা হোৎনরি। কর্নাটকা গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগীসু রিচার্দ করম্না শিখিবনো হায়বগী মতাংদা য়াম্না কন্না একজামিন তৌরি হায়না খঙহল্লকপা লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা বজার মনুং গ্রিন সিটি অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা মণিপুর সরকারগী হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্ট অমসুং বজার কম্যুনিটি অনিনা পুন্না খুৎশম্নদুনা ঙসি আলু গলি অমসুং এমজি এভেন্যুদা চিফ মিনিষ্টরনা উ চরাশিং থাখিবগী থৌরম অদুদা কেবিনেট মিনিষ্টরশিং অমদি এমএলএ কয়া শরুক য়াখি।

শরুক য়াখিবশিংগী মনুংদা হোম মিনিষ্টর গাইখাঙম, হেলথ মিনিষ্টর ফুংজাথাং তোন্সিং, পিঐচদি মিনিষ্টর হেমোচন্দ্র, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম, আরদিএন্দ পিআর মিনিষ্টর ফ্রান্সিস ঙাজোকপা, ৱার্ক্স মিনিষ্টর কেঐচ রতনকুমার, এডুকেসন মিনিষ্টর ওকেন , এগ্রিকলচর মিনিষ্টর নাশির, সোসিয়েল ৱেলফেয়ার মিনিষ্টর একে মিরাবাই, স্পিকর লোকেশ্বর, এমএলএ কে রঞ্জিৎ অমদি এমএলএ লন্ধোনিসু য়াওখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা চিফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা, ইম্ফাল বজার মনুংদা মমাংদা থাখিবা উ চরা কয়া মপুং-মরৈ ফাবা ঙমদনা শিখিবা অমসুং মাংখিবসি মরুওইনা পাম্বীশিং মেচ্যুওর ওইবতা নত্তনা ত্রি গার্দশিং পাম্বীগা য়েংনবদা মতিক চাদবা অমদি শা-ষন্না চাথোকখিবদগীনি। অদুবু মসি সরকারনা য়েংশিনবা ৱাৎপদগীনি হায়বা য়ারোই।

হন্দক বজার মনুং পুংশঙ শংহনবা অমসুং অফবা হৱা-নুংশিৎ লৈহন্নবগী পান্দমদা থারিবা পাম্বীশিং অসি হান্নগুম্না তৌরোই। অয়াম্বনা মপুং মরৈ ফারবা উ চারা ঙাক্তনি। মসিগী মথক্তা ত্রি গার্দশিং তুংকোইনা লৈহৌনবা চাওনা শারে। শুকশোয় শোয়দনা পাম্বীশিং মপুং মরৈ ফাদুনা গ্রিন সিটি অমা ওইরগনি। মসি ওইনবা সরকারগী মায়কৈদগী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা য়েংশিনহনগনি। থারিবা পাম্বীশিং অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মরুওইনা বজার মনুংগী মীয়াম অমদি বজার কম্যুনিটিশিংনসু পাম্বীশিং অসি মশা মশাগীনি খন্না য়েংশিনবীয়ু হায়খি।